# অহানবা রানী গাইদিনলিয়ু ৱুমেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট মণিপুরনা গ্রুপ ৱানগী ৱিন্নর ওইরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে






রেলৱেজ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা শান্নখিবা গ্রুপ টু গী মেটচকী মতাং অমা (ওই) মণিপুর অমদি সিকিম্না শান্নখিবা গ্রুপ ৱানগী মেটচকী মতাং অমা

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ**

জিলিয়াংরোং স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা শিন্দুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা চথরিবা অহানবা রাণি গাইদিনলিয়ু ওল ইন্দিয়া ৱুমেন ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ টু গী লিগ মেটচতা রেলৱেজ অমদি ঝারখন্দ গোল ২–২ দা দ্রো ওইখ্রে। গ্রুপ ৱানগী শান্নখিবা মেটচতনা মণিপুরনা সিকিমবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা গ্রুপ অসিগী ৱিন্নর ওইদুনা গ্রুপ টু গী রন্নর্স অপ ওইখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা থা অসিগী ১২ গী নুংথিল পুং ১২.৩০ দা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা শান্নরগনি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ২.৩০ দা গ্রুপ এ গী অরোইবা লিগ মেটচ ওইনা বিহার অমদি উরিশানা শান্নরগনি। মেটচ অসিদগী ফলনা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা গ্রুপ টু গী ৱিন্নর ওইখ্রবা ৱেলৱেগা থা অসিগী ১২ গী পুং ২.৩০ দা শান্নগনি।

ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱেলৱেজ অমদি ৱেষ্ট বেঙ্গলনা শান্নখিবা গ্রুপ টু গী মেটচ অদুগী ৱেষ্টৱেজগী গোল অনি অদুনা প্রটিমা মিনস অমদি ঙৌবি দেবীনা ১২ অমদি ১৮ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গোল অনি অদুনা দুলর মরনদিনা ৫৫ অমদি ৭৫ শুবা মিনটতা অমমম চনখিবনি। মেটচ অদু ৱাই ইঙোবী এল গৌকুলান্দা , টি ঐচ রগু অমদি আর কে রঞ্জন্না মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

অনিশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ৱানগী মণিপুর অমদি সিকিমনা শান্নখিবা অরোইবা লিগ মেটচতা মণিপুরনা সিকিমবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীরগা ৱিন্নর অদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

মণিপুর অহানবা গোল অদু এন রতনকুমারনা পীরকপা পাস্তা ই বিদ্যারাণি দেবীনা ৪৬ শুবা মিনটতা অমা অমদি এল রতনকুমারনা ফ্রি কিক্তা ৮৩ শুবা মিনটতা অমা চনখিবনি। সিকিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অঞ্জু জমাংনা ২৪ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা সিকিমনা গোল ১–০ দা মাংজিন থাদুনা চৎখি। অনিশুবা হাল্ফকী শরুক্তদি মণিপুরনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখিবগা লোয়ননা অহানবা হাল্ফতা শোত্থনা লৈখিবা গোল অদুগী মথক্তা অনৌবা গোল অমগা চনশিন্দুনা গোল ২–০ দা মায়পাকপা ঙমখিবনি। টি ঐচ সোমোরজিৎ , এল সনাতোম্বা, কে অজিৎ কুমার অমদি কে ৱ্রোজেননা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি এল গঙ্গা দেবী, কে তোনি দেবী, কে ঐচ সুরবালা দেবী, ঐচ বিজয়া দেবী, ও লক্ষ্মী দেবী, ও রোসনি দেবী, ৱাই হেমোলাতা দেবী, এন জি অনিবালা দেবী, এস রঞ্জনা দেবী, এল রতনবালা দেবী, ই বিদ্যারাণি দেবী, টি রঞ্জিতা দেবী, সুনিবালা দেবী, ৱাই চন্দ্রাজিনি, এস পারমোদিনি দেবী, টি নুংশিতোম্বী, পুণিমা দেবী, এম লিম্থোইঙম্বী দেবী অমদি এ রোমিনি।

| GROUP - I POINT TABLE | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Team | M | W | D | L | PTS |
| Manipur | 3 | 3 | 0 | 0 | 9 |
| Sikkim | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 |
| Bihar | 3 | 1 | 0 | 1 | 3 |
| Urisha | 2 | 1 | 0 | 1 | 3 |

| GROUP - II POINT TABLE | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Team | M | W | D | L | PTS |
| Railway | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 |
| Jharkhand | 2 | 1 | 0 | 0 | 3 |
| West Bengal | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 |

# অনিশুবা এমসিএ ইলিট ক্রিক্রেট টুর্নামেন্ট সাইক্লোন অমদি ত্রাউ ফাইনেল শান্নরগনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ**

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম লুৱাংশঙবমদা চথরিবা অনিশুবা এম সি এ ইলিট লিগ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি অরোইবা লিগ মেটচতা ব্লু হোক খুরাইনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালবু রন ১৪ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা ব্লু হোক্কী জিটেন্দরনা ৱিকেট মরি লৌরগা তাখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি ত্রাউ ক্বাকৈথেলনা থা অসিগী ১৪ দা শান্নরগনি।

ব্লু হোক অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা অরোইবা লিগ মেটচ অদু ৱাই দব্লিউ সি না তোচ ঙম্লগা হান্না ফিল্ডিং খনখি।

ব্লু হোক্না অহানবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ৩৫ দা ৱিকেট ৭ আউত ওইরগা রন ১৪৫ লৌখি। ইনিংস অদুদা বসিটনা বোল ৬৬ তা রন ৩১ , শমসন্না বোল ৪১ দা রন ২৪ , অজিৎনা বোল ২৮ দা রন ১৯, রোবর্টনা বোল ১০ দা রন ১৭ অমদি সনাতোম্বনা বোল ১৩ দা রন ১৭ লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি গী বোল্লর বিশৱর, প্রসন্তা অমদি দিংসন্না ৱিকেট ২।২ লৌখিবগা লোয়ননা রোনালনা ৱিকেট অমা লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি না অনিশুবা ইনিংকী বেটিং তৌখিবদা ওভর ২০.৫ তা ৱিকেট পুম্নমক আউত ওইরগা রন ১৩১ লৌবদগী রন ১৪ দা মায়থিখিবনি। ইনিংস অদুদা রোনালনা বোল ৪৮ দা রন ৩৩ , প্রসন্তা বোল ২৯ দা রন ২৯ , কিষন্না বোল ১৭ দা রন ১৭ অমদি বিশ্বৱরনা বোল ২৭ দা রন ১৭ লৌখি।

ব্লু হোককী বোল্লর জিতেন্দ্রনা ৱিকেট ৪, গুনিরাম্না ৱিকেট ২, সুলতান , রোবর্ট অমদি জিকিচান্দ ৱিকেট অমমম লৌখি।

| 2nd MCA Elite Cricket Tournament Point Table | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Team | M | W | L | T | PTS |
| Cyclone | 7 | 7 | 0 | 0 | 28 |
| TRAU | 7 | 5 | 2 | 0 | 20 |
| REYS | 7 | 5 | 2 | 0 | 20 |
| YWC | 7 | 5 | 2 | 0 | 16 |
| BLUE HAWK | 7 | 3 | 4 | 0 | 12 |
| CHAMP | 7 | 2 | 5 | 0 | 8 |
| MODEL CLUB | 7 | 1 | 6 | 0 | 4 |
| CRAU | 7 | 0 | 7 | 0 | 0 |

# কারাটে দো – টিম কেরালা পাংখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ**

কেরালাগী করাকুতিদা থা অসিগী ১৪ দগী হৌগদৌরিবা কারাটে এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া কাই সেনিয়র নেসনেল কারাটে চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ দা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী কারাটেকাস শিং ঙসি কেরালাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

কেরালা কারাটে এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা কারাটে এসোসিয়েসন ইন্দিয়াগী মিৎয়েং মখাদাং পাংথোক্কদৌরি অদুদা শরুক য়াগদবা কারাটেকাশিং অদুদিঃ–

| Sl.No. | Name | Wt. | Style | D/Birth | Category |
|---|---|---|---|---|---|
| 01. | S. Kananbala | 45 | Ryushinkan | 02-02-95 | -45 kgs Women |
| 02. | P. Binashakhi | 50 | Kofukan | 01-04-95 | -50 kgs. Women |
| 03. | S.Puja Devi | 55 | Kofukan | 01-04-96 | -55 kgs Women |
| 04. | W. Bebishwori Chanu | 57 | ISKF | 01-02-93 | -61 kgs Women |
| 05. | Soibam Bindeshori Chanu | 64 | ISKF | 23-08-90 | -68 kgs Women |
| x | | | | | +68 kgs Women |
| 06. | K.Inaocha Devi | x | Kofukan | 01-03-98 | Women Ind. Kata |
| 07. | Chungkham Ningthem | 50 | Ryushinkan | 28-08-97 | -50 kgs Men |
| 08. | Ch.Raju Singh | 50 | Kofukan | 25-02-97 | -55 kgs Men |
| 09. | Amir Khan | 57 | Seiko Kai | 01-01-89 | -60 kgs Men |
| 10. | Jiban Singh | 67 | Kofukan | 01-03-97 | -67 kgs Men |
| 11. | L.Sanjeev Singh | 70 | ISKF | | -75 kgs Men |
| 12. | L. Tompok Singh | 75 | Kofukan | 15-02-95 | -84 kgs Men |
| 13. | Sh. anand | 85 | ISKF | | +84 kgs Men |
| x | | | | | Men Ind. Kata |
| | OFFICIALS | | | | |
| 14. | K. NINGTHEM | | | | COACH |
| 15. | SOIBAM CHANDRIMA CHANU | | | | TEAM COACH |
| 16. | PAMEL MEITEI | | | | TEAM MANAGER |
| 17. | TH. IBUNGOCHOUBA SINGH | | | | JUDGE |
| 18. | Md. TALA AHAMED | | | | REFEREE |
| 19. | MUTUM BANKIM SINGH | | | | REFEREE |
| 20. | KIRANKUMAR THANGJAM | | | | DELEGATE |

চেম্পিয়নসিপ অসিদগী খনগৎলবা কারাটেকাশিংনা লাক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়ন কারাটে চেম্পিয়নসিপ অমদি ৱার্ল্ড সেনিয়র কারেটে চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ দা ইন্দিয়গী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি হায়দুনা মণিপুর এমেচর কারেটে – দো এসোসিয়েসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি সনসৈ মুতুম বঙ্কিম সিংহ না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# এস এ জি গী জুদো মশান্নদা মণিপুরগী শান্নরোই মরি শরুক য়াগনি

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ**

গুহাটি অমদি মেগালয়াদা হৌখিবা থা অসিগী ৫ দগী চথরিবা সাউথ এসিয়ন গেমস এস এ জি ২০১৬ ইন্দিয়াগী জুদো টিমদা মণিপুরগী জুদোকা মরি য়াওনা পুন্না জুদোকা ৬ না শরুক য়াগনি হায়না মণিপুর জুদো এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমার সিংহনা প্রেসতা ঙরাং থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জুদো মশান্না অসি শিল্লোংদা থা অসিগী ১৫ দগী ১৬ ফাওবা পাংথোক্কনি।

ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্নবা শরুক য়াগদৌরিবা মণিপুরগী জুদো কাশিং অদুদি লিকমাবম সুসিলা কেজি ৪৮, থৌদাম কলপনা কে জি ৫২, অঙোম অনিতা চনু অমদি হুইদ্রোম সুনিবালা কে জি ৬৩ নি। ইন্দিয়ন টিমগী মেনেজরসু মণিপুর জুদো এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি এস ইন্দ্রকুমারনা ওইরি।

# অহানবা ৱাই আই সি মেনস ফুটবোল টুর্নামেন্ট এন এফ সি অমদি ঐচ য়ু দি আই সি মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ**

য়ুথ ইন্টিগ্রেসন ক্লব কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকাইনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা ৱাই আই সি অন্দর ২১ ফোর এ সাইদ মেন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বি গী লিগ মেটচতা ঐচ য়ু দি আই সি হৈঙাং অমদি গ্রুপ এ গী লিগ মেটচতা এন এফ সি শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মায় পাকখ্রে।

অহানবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ দি গী ঐচ য়ু দি আই সি হৈঙাং অমদি এস দব্লিউ সি ঙানপ্পী থোং মপালবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঐচ য়ু দি আই সি গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু দোনাদোনিনা ৩০ শুবা মিনটতা চনখিবনি ।

অনিশুবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ এ গী মেটচতা এন এফ সি শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক্না ৱাই আই সি এ কৈশামথোং লোংজম মনিং লৈকায়বু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীক্রে।

এন এফ সি গী গোলশিং অদু বিশ্বমিত্রনা ২৯ অমদি ৩৯ শুবা মিনটতা অনি অমদি বেনা ৪৫ শুবা মিনটতা অমা চনখিবনি। হয়েংগী অহানবা মেটচতা গ্রুপ বি গী খোরিফাবা নম্বোল অমদি ৱাই আই য়ু সি মোইরাং পুরেলগা নুংথিল পুং ১ দা অমদি অনিশুবা মেটচতা গ্রুপ সি গী য়ু ই গী য়ুম্নাম লৈকায় অমদি য়ু কে সি সি এল ওইনামগা নুংথিল পুং ২.৩০ দা শান্নরগনি।

তাং ১১গী অহানবা মেটচতা গ্রুপ দি গী ঐচ য়ু দি আই সি দি সি অমদি ক্লাসা কৈনৌনা নুংথিল পুং ১ দা শান্নরগনি।

## বোদি বিল্ডিং ত্রাইয়েল

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ**

সিকিমদা মার্চকী তাং ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা ১৫ শুবা ইষ্টর্ন ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ অমদি থা অসিমক্কী ২৫ দগী ২৭ ফাওবা য়ু পি গী নোইদদা পাংথোক্কদৌরিবা ৫৬ শুবা সেনিয়র নেসনেল বোদি বিল্ডিং চেম্পিয়নসিপ অমদি ১১ শুবা ৱুমেন, মেন ক্লাসিক, মেন ফিজিক, ৱুমেন ফিজিক অমদি ৱুমেন ফিগর ২০১৬ দা শরুক য়ানবগী মণিপুরগী ত্রাইয়েল সেলেক্সসন অমা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা থা অসি গী ১৫ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পাংথোক্লগনি হায়না এসোয়িয়েসন অসিগী পব্লিসিসিটি সেক্রেটরি ও প্রেমকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

## এস এ এস দি সি মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**
**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ৯ ঃ**

সম্থেল অৱাং লৈকায় সোসিয়েল দিভলপমেন্ট ক্লব এস এ এস দি সি শিন্দুনা ঙসিদগী ক্লব অসিগী ভোলিবোল গ্রাউন্দদা অহানবা ষ্টেট লেভেল য়ুনিয়র বোইজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট হৌখ্রে। অহৌবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ এ গী লিগ মেটচতা এস এ এস দি সি সম্থেল অৱাংনা য়ু দব্লি পি দব্লিউ সি উচিৱাবু সেট ৩–০ (২৫–১৯,২৮–১৬,২৫–১৯) দা মায়থিবা পীখ্রে।








ইষ্ট জোন ইন্টর য়ুনিভর্সিটি ৱুমেনস ফুটবোল টুর্নামেন্টগী মরিশুবা পোজিসন তাখ্রবা পন্দিদ রবিশঙ্কর সুক্লা য়ুনিভর্সিটি রাইপুগী টিমদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিদগী ত্রোফি লৌরবা মতুংদা পুন্না ফোটো সেসন শরুক য়ামিন্নখিবা










Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*